# “য়াইফবা মণিপুর অমা শেম্বদা পূন্নমক্কী থৌদাং”

ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি

## উশম ধরমেন্দ্র



লমদমসিদা মীয়াম্না খল্লকখিবা এ সী/এ সীগী মীহুৎ এম এল এশিং মীয়াম্না মতিক চারে হায়দুনা খল্লকখিবনি। মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবশিংদুনসু মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌরক্কনি হায়বগী ৱাশক কয়া, থাজবা কয়া মীয়ামগী মফমদা থমখিবা। অমুকসু এ সী/এ সীগী মীয়াম্না খল্লকখিবা মীহুৎশিং অসি মণিপুর মীয়ামগীনি। পূন্নমক্কী থবক তৌগদবনি। অদুবু লমদমসিদদি মীয়ামগী মীহুৎ ওইখিবশিংদু মখোয়না শক্তি হেক পায়খিবগা মীচম মীয়ামগা হেক হেক শম্নরক্তবগুম উরি। অমুকসু কনাগুম্বা এম এল এ অমনা মিনিষ্টর ওইরকপগা মহাক্না তৌগদৌরিবা থবকসি মণিপুর মীয়ামগীনি হায়বসি কাউথোকখিদুনা মহাক্কী এ সীদুগী অমসুং খূৎচাবী ৱার্কর খরগী স্বার্থদা থবক তৌরকপা কয়ামা থেংনরি মসি খ্বাইদগী লাইবক থীবনি। মীয়ামগী মীহুৎ ওইরবা, মীয়াম্না পৱার শীন্নবীরক্লবা মহাক্না তৌগদবসি ঐগী হায়বা ৱাখল্লোনসি থাদোক্লগা লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবা পুকচেল শেংনা তৌগদবনি। ঐনা মিনিষ্টর ওইরিবসি মীয়ামগীনি হায়বসি কাউথোকখিবদগী ঙসি লমদমসিগী এ সী খরদা কোয়লাস ফজনা থারগা এ সী খরদনা লম্বীদা কোয়লাস মশক শুংউ উদনা মতম কয়া লৈরক্লিবা। পঞ্জরিবসি হীরম খুদিংমক্তনি অনা-লায়েংশঙগী, স্কুল-কোলেজ, মহৈশঙগী, ইলেক্ট্রিসিটিগী পূন্নক্কীনি এ সী অমগা এ সী অমগা চাকথুং ফিথুং মান্নদবা কয়া লমদমসিদা উরি।

লমদমসিদা মীয়ামগী মীহুৎ এম এল এ ওইবা হায়বসি লায়সু লায়বা, লুসু লুবা লায়রুগী থবক্লি। মীয়াম শেল পাম্মী। করিগী শেল পাম্মী, শেল লৈতবগী লায়র-অনং হায়বদু ওইবদগী। হিংবদা তঙাইফদনা চঙবা মচাকশিং ফাওবা শুনা লৈবা ঙমদে। লায়র-অনং মীচম মীয়াম্না হিংনবা হোৎনবদা য়াম্না ৱাই। লাইরিক-লাইশু হৈরবা মীসু, লাইরিক নীংথিনা তমহৌদবশিংসু হিংননবগী লম্বীদা অফং-অফংবা থবক শুদুনা হিংননবা হোৎনরকই। কুনমাথোইশুবা চহীচাগী অহানবা ক্বার্টর লানশিনখ্রবা মতমসিদা লমদমসিদা মীয়াম পূন্না থবক শুদুনা হিংবা য়াবা পব্লিক সেক্টরগী য়ুনিটপু করি লৈরিবগে? লৈঙাক্কী তোলোপ চাবা থবক হায়বসিদি মীওই খরগী ৱানি। মদুদা মপান তাংদুনা মীওই কয়ানা হিংনরিবনি। নাকল অমরোমদা ‘ঙক য়োল্লগা সেনাপতি ফংই’ হায়বগুম শিবা কিদবা পাম্বে অমা নৎত্রগা অমা তৌদুনা শেল পায়নবা হোৎনদুনা শেঞ্জাও পায়বা কয়ামসু লৈনরি। মসিদি খুন্নাই অমগী মচৎনি হায়বা তারে। চম্না হিংজনীংবা মীওই লৈরবদি ডাকু-দরাং লৈবা হৌনশানি। শেঞ্জাও পায়বা ঙক য়োল্লগা সেনাপতি ওইরকপশিংনা লমদমসিদা তৌনীং তৌনীংবা তৌবদা কনানা করিসু হায়বা ঙম্নদে।

মথক্তা পঞ্জখ্রে মীয়ামগী মীহুৎ এম এল এ ওইবা হায়বসি লায়রুগী থবক্লি হায়দুনা হৌজিক ১৩শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী লাঙবা হেনগৎনরক্লে। মীহুৎ ওইনবা থোক্লরক্লিবশিং মীচম মীয়াম্না মখোয়গী মহৈ মশিং, লমচৎ-শাজৎ, মীয়ামগী থৌগল নীংথিনা তৌবা ঙমগদৌরিব্রা হংনবগী মহুত্তা মাবু মীরেপ ওইগনি হায়রিদো শেল কয়াম পায়রগেনে হায়বগী ৱাহং ওইনা হংনরক্লি। শেল পায়রবদি খরা লৌহৌরগা লোইরে, ঐখোয়গী য়ুম্লক্কী লম্বী শেমহলহৌরগা লোইরে হায়বনচিংবদা কোক থাদদুনা লৈরে। নাকল অমরোমদা, মীয়ামগী মীহুৎ ওইগে হায়না থোরক্লিবা অনৌবা মীওইশিং অসিদি অয়াম্বনা তরং-মালং অমদা লৈনরিবনি। মহাক্কী ৱার্করশিংগা লোয়ননা ভোট খোম্বা চৎপদা হরাও হরাওনা নোক্লকপা মঙোন্দা মাগী মীনি উৎলকপশিংবু মাগীতা ওইরবোই খঞ্জরিবনি। বর শেন্নবা ওজানা মখূৎ শমদুনা চৎপদা তরং মালংদা মখোঙ থাঙলিবা লুহোংবগী বরগুম্বনি। অমরোমদা, কুইনা কাদুনা লাক্লবা এম এল এনা মহাক্কী অকনবা লম্বা অমা থোরকপা উবদা অমসুং মহাক্কী থাজরবা ৱার্করশিং মথং মথং মঙোন্দগী লাপথোকখিবদা ভোটর অমসু অমসু থাজরক্তব্রদা মহাক্কীদমক্তা লেপচরিবা মঙোন্দা করিগুম্বা কান্নবা সজেশন অমত্তা পীজগে লাকচবা ভোটর ফাওবা মাগী মী ওইরম্লোই হায়দুনা উন্নদবা ঙম্মী হায়দুনি। সুম চিংনবা হেঞ্জিনখিদুনা মহাক্কী নুপী মরক্তসু চীংনবা য়াওশিল্লকপগী ফীভমনি।

মীয়াম্না খল্লক্লিবা মীহুৎশিংনা ষ্টেট এসেমব্লি সেশনদা নীংথিনা খন্ন-নৈনরবা মতুংদা লৈবাক্কী য়াইফনবা আইন শেমগদৌরিবনি। অফ-ফত্ত খন্ন-নৈনবা হায়বসিমক য়াম্নমক মরু ওইরিবনি। ইরমদমসিদা অকনবা আইনবু নীংথিনা চলাইদুনা চৎনবা ঙম্বা লৈঙাক অমা লৈরবা মতমদতা ইরমদমসি চাওখৎকদৌরিবনি। লৈবাক্কী য়াইফ থৌরাং খন্নগদবা মতমদা এম এল এ ওইরিবশিংনা ছুটি লৌনরক্লবা অমদি সেশন মনুংদা উইদুনা লৈনরক্লবদি লমদমসি কমদৌনি। চাওখৎপগী মহুত্তা চাওথখিবা, মনীং হনবা তাবনি। মনীং হনবা হায়ববু হৌজিকসু মনীং ফজনা হল্লি। কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন তানবগী মরুমদা নমদুনা থোকহল্লকখিবা লান, ঙসিদি লান শুংয়াও য়াওজ দবা মীতৈশিংবু লান য়াওহন্দুনা মীতৈ-কুকি অনীগী য়েংথীনবা হায়না খঙনরক্লে। লানসিগী মতুংদা নেশনল হায়ৱেশিং অমসুং মণিপুর মনুংগী কুকিশিংনবু লৈরবদি মফমদুদা চৎপা ঙমদনা জেল অচৌবা অমগী মনুংদা লৈবগুম লৈরক্লিবা মীতৈশিংগী পূন্সিনি। হান্ননা শুফম নোম্ফম খঙদনা লৈরকখিবদু চখোক-চৎশিন তৌদুনা হিংনবগী লম্বী থিবা য়াদ্রবনিনা অমুক্কা হেন্না ৱাবগী ফীভম শোকচিনখ্রবা মীতৈশিংনি। অসিগুম্বা অৱাবা কয়াসি কোকহন্নবা কুকি টেররিষ্টশিংনা থোকহনখিবা লানসিগী ৱারোইশিন অমা নাখৈ শেংনা পুরক্নবা মতিং লৈবা ষ্টেট লৈঙাক অমা চঙই। ষ্টেট লৈঙাক্না শোনমনবদগীনি ঙসি মীচম মীয়াম্না ৱারিবা, তংদু লৈতাবা লমদম অমদা হিংবা ঙমদ্রিবসি। প্রসিদেন্টস রুল মমাঙদা লৈখিবা ষ্টেট লৈঙাক্তুনা মতম চানা ঈরাংসি হৌরকপদা লাকশিল্লম্বা য়াবদুবু লাকশিনখিদে। মমৈথংদা সিক্যুরিটি লাপসেস লৈখি হায়না লৈঙাক মকোক্না হায়খি। মীয়ামদা পোপ্যুলর ওইদ্রবা লৈঙাক্তুগী মতুংদা প্রসিদেন্টস রুল লাকখি। মীয়াম্না খন্নরম্বা প্রসিদেন্টস রুলনা অওনবা অমদি পুরক্কদ্রা খন্নখিবদু করিসু পুরকখিদে। মার্চ ৮,২০২৫দা হোম মিনিষ্ট্রিগী অকনবা থৌদাংনা নেশনল হায়ৱে ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা মীতৈশিং চৎপা য়াহল্লগনি হায়খিবদু অৱাং সেকমাইগী মতুংদা মখা তানা লানশিনবা ঙমদনা তোকখি। প্রসিদেন্টস রুলগী মতুংদনা অমুক ৱাই খেমচান্দনা লুচিংবা ১২শুবা বিধান সভাগী লোইরমদাই সেকেন্দ হাফকী লৈঙাক্লি। নিংথৌগী য়েৎ-ওইদা থৌগল তৌনবগুম দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর অনী নাগাদগী অমা, কুকিদগী অমা তোঙান তোঙানবা ফূরুপ ঐখোয় অমত্তনি হায়দুনা পূন্না চঙশিনমিন্নদুনা থবক তৌমীন্নরবদি ফৈ, চীংখাইনরক্লবদি ইমাইপেমা লোইরেদো।

মণিপুর অসি হৌজিক তম্বা ঙমদবা ফীভম অমদা লৈরি। কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা মীতৈশিং তম্না বোম, নোংমৈ কাপ্লকখিবদুদি তোকখ্রে। অদুবু মখোয়গী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশনগী খোঙজ ংদুদি হন্দোক্ত্রি। বফর জোন ইকায়খুম্নগদবনি মীতৈশিংনা মখোয়গী এরিয়াদা লানশিল্লকপা য়ারোই হায়বগী ৱাফম করিসু হোংদ্রি। নাকল অমরোমদা, ম্যান্মার হায়রিবা মণিপুরগা য়ূমথংনরিবা লৈবাকশিং অসিদা মালেমগী শক্তি লৈরবা লৈবাক অনী য়ু এস এ অমসুং চাইনাগী অকনবা ইন্টরেষ্ট লৈরি। মখোয়না মতেং পাংশিনখিবা অফবা মখলগী লানগী খূৎলায়শিং কুকি টেররিষ্টশিংগী মখূৎতসু য়ৌরি। পূন্নমকসিগী ইঙ্গিৎ ঐখোয়গী ষ্টেট লৈঙাক্না খঙবা মথৌ তাই।

লোইশিল্লকপদা ঐখোয় মীচম মীয়াম্না ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুর অসি মতিক লৈবা লমদম অমা ওইহনসি, মদুগীমক্তা মতিং লৈবা লৈঙাক অমা শেমগৎনবা মতিং লৈবা মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌরক্কদবা মতিক চাবা, লাইরিক লাইশু হৈবা, লুচিংবগী মগুণ চেনবা, ইন্টলিজেন্ট ওইবা লুচিংবশিং এ সী/এ সীশিংদগী খনগৎসি। শেল অমদি মসল পৱারনা মীয়াম্বু হুমদুনা পুগনি খল্লিবশিংবু থেংনমিন্নসি, য়াইফবা মণিপুর অমা শেম্বদা পূন্নমক্কী থৌদাং য়ামিন্নসি হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

# মীওইবগী হকচাংবু চাংয়েংগী পোৎলম ওন্থোরকপা

## - রঞ্জিৎ নিংথৌজা -



মতম অমদা অনা লায়েংগী মওংদু ঙসিগী মীয়াই অমদি অহল মতম ওইরবা মীওইশিংদি নীংশিংলিবনি। নুংশিবা ৱাহৈগা লোয়নবা লৈকায় লৈকায়দা, খুঙ্গংদা লৈবা মীওইবগী মীহুন কাংলোন খঙবা অমদি অঙ্গং-অশাগী কাঙলোন খঙবশিংনা অনাবা মীওইশিংবু লায়েংবগী থৌ তৌনরম্মী। ইমুংগী মীওই অমা ঙল্লক্তবদা মাইবা কৌবগী থাজবা নিতি লৈরম্মী। নুপী ওইবীনা মাইবা কৌনরমদে। ইমুংগী নুপা ওইবা অমনা মাইবা কৌবগী চৎনবী লৈরম্মী। মাইবা অদুনা কোকয়েৎ অমা য়েৎলদুনা মরেংবান্দা খুদৈ মঞ্জুনবা অমখক য়াল্লদনা অনাবা ইমুংদুদা লাক্কনি। ফক্তা য়াতারিবা নৎত্রগা ফমুংদগী হৌগৎপা ঙমদ্রবা মীওই অদুগী খুদাং পায়দুনা মীহুনগী খোঙচৎ য়েংগনি। পুকচেপ পায়দুনা পুক্কি মরীগী ফিরেপ ফিথুপ য়েংগনি। লাইওকপা য়াওই। অশাবা কারে হায়বগী থাজনবী লায়েং চথগনি। লৈকায় খুঙ্গংদুদা ফংবা উহৈ মনা মশিংগী হীদাক্না লায়েংগনি। সাইদ ইফেক্ট হায়বদু লৈরমদে। লফু-মকু অকংবনা খূৎশাদা নৎত্রগা খোঙশাদা চেৎনা কিরগা অমোৎপা ঈ লৌথোক্লগা অশাবা লৌথোক্তুনা ফহনবা ঙল্লম্মী। অনাবা ইমুংগী মীওইশিংগা ৱাখল তামিন্নবা নুংশিবা ৱারী ৱাতাই শাবা অমদি হীদাক ঙান্থক হান্দুনা চথবা লায়েংবগী মতমদো অনাবনা মরাইবক থীরবসু মাইবা ফূবা তৌনরমদে।

নুপীনা মমা ওইরকপদসু মায়োক্লবী মাইবীনা তেক্তা কায়দনা মচা ফংজরম্মী। হোস্পিটাল হায়বসি লৈত্রিঙৈগী, মরাং কায়দ্রিঙৈগী মতমদো মাইবা-মাইবীগী পূন্সিদা অনাবা ইমুংনা থোইদোক্লা লান্না খন্নদবগী মরমনি। ঙসিগী মেদিকেল সাইন্সকী মতমনা খম থেংনা চাওখৎলকপসিদা করিগীনো পেসেন্ট পার্টিনা লায়েংবীরিবা ডাক্তরশিংদা খূৎ থাবগী পাউ তত্তনা তারিবা। পূন্সি কয়া কন্ননবা লৈরিবা হোস্পিটালদা তায়নবগী পাউ তোয়না তারিবসি তিন য়োৎলগা খনবগী মতম ওইরে। ডাক্তরনা অনাবা য়েংবগী মওংসি য়াম্না চাওখৎলে খন্না থাজবা পূম্বা ডাক্তরদা থম্নরিবনি। অদুঙৈগী মাইবা-মাইবীগী লায়েং কাঙলোন অদো কান্থোক্তুনা থল্লম্লবনি। অদুবু হৌজিক্কী লায়েংগী মওংসিদি চিংনদবা ঙম্নরক্ত্রে।

লায়েংনবা হোৎনবদগী ৱাবা হৌই। মচা মশু খূৎকন পাঙ্গনবা নৎত্রগা মীৎশিং-নাশিংবা য়াওদবা ইমুংনা ইরায় লায়না অনাবা অমা হেক্তা লায়েংবা ৱাই। চাওখৎপগী হিরেন তোংদুনা হিংবা হৈত্রিবা মীয়াম্না মশীং হেনবা লমদমসিদা লায়েংনবা হোৎনদৌগী শরুক খাঙবা য়াবা খাঙলম্লগা শিখিবা হায়দুনিদা খনবদৌনা উবা কয়ানি। সিরিএল ঙাইবদা লেকথখিবা কয়া থেংনখি। ডাক্তরনা খুদাং নৎত্রগা থবাক্কী মীহুন য়েংবা নংদনা সিরিয়েল য়ৌখিদনা হনখিবা অনাবা কয়া য়াওখি। অনাবা হায়বসি মীওইবা অমত্তনা পাম্বা নত্তে, মশাগী ইম্মুন সিষ্টম শোন্থরকপা নৎত্রগা মতম মতমগী মহিক মতাইনা ঙাকথোকপা ঙমদবদগী অনাবা ওইরকই। ইন্দ্রিগী দিফেন্স সিষ্টম শোন্থবদগী মীওইবনা অনাবা হায়বা ফীভম অসি ওইরকই। লূ-তোংনা শেমগৎপা মীওইবগী বোদি ওইবনা শুক্লা নাদবা বোদি অমদি ওইবা ঙমদে। মহৌশাগী খল কায়থরকপা অসিনসু হৌজিক্কী মীওইবদা তিঞ্জং কায়জ ংবা হেনগৎহন্নবগী অচৌবা মরম অমদি ওইরিবনি।

উচিন-নাচিন নুংঙাইত্রিবদুগা মরী লৈননা ডাক্তর অদু উন্নরে। ডাক্তরনা থবক চিনবদৈ ওইরিব্রা খঙদে অনাবদুদা নুংঙাইত্রিবদুগী মরম, লাইওং মরাং কায়না হংনদ্রে। হোয় মসি চৎনবী ওইবতাই চাওখৎলকপগী। হৌজিক্কী লায়েং পথাপসি টেষ্ট তৌবদা য়ূম্ফম ওইরম্মে। টেষ্ট তৌনবা সেরিজ অমা ইরকই। ৱারিঙৈ মথক্তুদা টেষ্ট তৌনবা হোৎনবগী অৱাবা করিগা চাংদম্নবা য়াগনি অনাবগী মকোক্তা খন্নরিবনি। চৈনা মখল মখলনি। লৈত-লায়রবগী চৈনাসু লাইহৌ হৌবনা পুক নাবনা কোক চিকপনা হেনবা নত্তে। লাইবক থীরবদি নাদবা মীদা তৌবা টেষ্ট ওইরম্লবদি রিজল্ট ফংদদনা মপানগী লেবোরেটরিদা থারগা ঙাইবসু কোঙ্গাইনি। অনাবশিংনা ঙসি খনগনু য়াদবসি হৌজিক্কী লায়েংগী মওংসি ডাক্তরগী লায়েং ওইদ্রব্রা? মেছিনগী লায়েং হায়বদা লানগদ্রা? ডাক্তর কৌবা মী অদুনা মেছিন কৌবা লায়েং পথাপ অদুগা অচুম্বা ৱা অনাবদা ফোঙদোকপা শমজিন্নবা ঙমদবদগী ফূন-চৈনবা কয়া থোকপ্রা?

সাইন্স হায়বসিনা তৌরিবা পূন্নমক মীওইববু পুমঙাও ঙাওহনবা থবক ঙাক্তনি। মীবু হিংগৎহনবা ঙমদ্রবসু মীদুগী মওং মতৌ, শকফম মান্নহন্দুনা হিংলি হায়না মতম শাংনা অশিবা মীবু হিংদা হিংলিবোই খলহনবসু সাইন্সকী তৌবা ঙম্বশিংনি। সাইন্সনা নুপা-নুপী লুহোংদ্রবসু খূৎশেমগী মীওইবা শেম্বা ঙল্লকই। লানগী মতমদসু য়েক্লববু অকি-তুজুংবা পীবা ওইনা মিসাইলদা অহিংবা মীবু থৌরীনা পুল্লগা য়েক্লরিবা লৈবাক্তুদা কাপখিবগী শক্তম মীওইবদা উহল্লি। মীওইবা কৌবা থৱায় পানবা কাঙলূপ অসিগী নুংশিনবা অমদি মীনুংশি হায়বদো সাইন্সকী তৌবা ঙম্বা কয়ানা ইচায় চায়খায়খিবগুম তৌই। পোকপা নৎত্রগা শিবা হায়বসি লুনা খন্নরক্তবনা লায়েংবা হায়বসি চাংয়েংগী পোৎশক ওইনা খন্নরকপ্রা হায়বসি ৱাহংনি। শিরবা মীবু মীহুল লৈহন্দুনা মতম শীজিন্নরগা হোস্পিটালনা শেল তানবা,লৈঙাক্কী খুদোংচাবা কয়া লল্লোনফম ওন্থোক্তুনা অনাবা অদুবু শেন্দোংগী পোৎলম ওইহনবা, মরম কয়া অসি মীওইবদা মীওইবনা থল্লম্বা ইকায়খুম্নবা মীনুংশি কয়া অদো মাঙখিবননি করম্না হায়রোই।

চাওখৎপনা মীনুংশিবু থৌওইদবা হায়বসিবু হৌনবরা? চাওখৎলগা মীওইবনা শা ঙাগুম্না ৱাখল হোংখিবসি তৌহৈবা মচৎলা? অদুঙৈগী মাইবা-মাইবী চাবোকপী মায়োক্লবীশিংনা তাইবঙ ফাওহল্লকখিবা মীনুং চরোং লোয়নরকপা মমা মপাশিংদুনা মচাশিংবু কয়াগী মতিক নুংশিজখি। তেম্পাক লৈতুম অমত্তং ফাওবা নখূৎ কায়খিনি হায়না পায়হনখিদে। পাৎতা কুমগনু ককই চুনি, লিন-কাংনা ইচাবু শোকহনগনি, তুরেলদা নান্থবী শান্নগনু চেগায়না য়াৎকনি, ৱাইখু ফাগনু কাচপ্পীনা চপকনি, অদুগী শরুকপুদি লাইরিক পাউ, পাড়া ঔরাইয়ু। হয়েং চাউরগা করি ওইনি। ডাক্তর, ইঞ্জিনিয়র, ওজা, সাইন্টিষ্ট, পাইলোৎ ওইগদ্রা হায়না মচাশিংগী অপাম্বদু ওইবা ফংনবা অহিং তূমদনা ট্যুশন থিনবীখিবা কয়াদুনা ঙসিদি মীওইববু চাংয়েংগী পোৎলম ওইনা শীজিন্নরকই। মসি মপা-মমাদুগী অশোয়বরা?

অদুঙৈগী মপা-মমা ওইবশিংনা মচাশিংবু অপাম্বদা য়ূম্ফম ওইরগা শেমগৎলকই। অপাম্বা হায়বসি নুংশিবগা ওন্নবা পূন্নদি লৈমিন্নবা ৱাহৈ অনীনি। অপাম্বদা শারেপ ফাখিবা মচাশিংনা মমা মপাবু সেল্টর হোমদা নুংঙাইনি খন্না থম্মী। থাগী তোলোপ চাবা পামখিবা মমা মপাদুবু থাগী মমল পীবা শেন্নবা মীশিংদা শিন্নথোকই। ঈ মশেলগী নুংশিবা লিচিং ঈবু চাংয়েং তৌবদা শান্নপোৎ ওইনা খনখ্রবা ঙসিগী মীরোলনা ঈ মরী কয়া উরগা তুজ ুংবা পোক্তবা হেনগৎলকই। অতাঙবা হোস্পিটাল মশীং য়াম্না থোরকইবসিসু মমা মপানা পামখিবদুনি। অনাবা খুদিং টেষ্ট মশীং খঙদনা তৌরগা শেল তাল্লিবসিসু মমা মপানা পামখিবদুনি। খূৎলায় লমজেল তান্নবগী মালেমগী মচি মচিদা থোক্লিবা লান অসি মমা মপা ওইবশিংনা ট্যুশন থিনবীরগা হৈহনখিবা মচাশিংগী চাংয়েংগী কুম্মৈনি। হোংলক্লিবা চাংয়েংগী কুম্মৈশিং অসি থকসি খাসি য়াওবা, মীনুংশিদা য়ূম্ফম ওইবা কলচর অদু শাহৌ ফনা শেমগৎহৌদ্রবদি মীওইবা য়াওদবা মালেম অমা ওইখিবসু য়ারি। ●

# ঐখোয়গী মাঙদা তারিবসি লোইশিন্নবা হোৎনসি

## - রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -

মণিপুরদা মে ৩,২০২৩দগী অৱাবা কয়া নংলবা মীওই লিশীং ৬০না চনীং তানা তূম্বা ফংদবা, চাবা থকপা খুদিংমক পূক্লিং-শান্তি ওইনা, হকচাং মচি ওইনবা চারক্তবা চহী অহুম ফারক্কদৌরে। অয়ূক অঙনবা তরু-তরু থোরকপা কোরৌগী মশক ওইরবা থা ৮ খক্তা ঙাইবা নুপামচাদগীনা পূন্সিগী নুমিৎ তারমদাই নকশিল্লক্লবা অরাংফম ফম্বা অহল অমদি নুপা-নুপী য়ূম্বানমিন্নদুনা মপারি চাউদবা চাউনবা য়োকচবা, মমোম কয়া শারেপ ফানবা হোৎনজরিবা কয়া মনুং মতম চাদনা নাম্মা-নাম্মা তাহৌবা কয়া য়াওখ্রে। মরৈবাক মজাতিগীদমক থৱায়না পোন্থা পীদুনা ইরৈবাক ইরমদমগীদমক পূন্সি কয়া লোমখ্রে। মচাগী, মশুগী কুম্মৈ য়েংদুনা পোথাজগদৌবা/বী কয়া পূন্সি লোমখ্রে। লিম্থোইঙম্বী-হেমজিৎকী পূন্সি খোঙলোই শেম্নবা তুফাং খপনা পূন্সি চূপ্পা পাইমিন্নজগে হায়বনা মাঙদা থাদুনা চৎলুবদা পূন্সিগী শাদানবগী মীহিং-শাহিং চাবা, শারমচৎনা মচৎ ওইরবা, উমং-ৱামংদা লৈবা শাশিংনা শরাক তমদুনা খৌবুম থন্না ঈগী মহাও লৌরবা মতুংদা বলিগী হামেং ওইহনবীখিবী লিম্থোইঙম্বী ইচা নত্তে খনবীগনু, ইমোম ওইদে মীরাইবীগনু মবুক পেন্না শরাক তমদুনা থকপা য়াবা ঈ থক্লগা মীহাৎ থীনা হাৎখিবনি। মদুগুম্বা উহৈদবা, য়েংহৈদবা কয়াদুবু মমাঙথক্তা য়েংহন-উহনবীরগা থাঙয়ান মশীং নাইদনা য়ানখিবা, নোংমৈ মশীং খঙদনা কাপশিন্দুনা মশানৌ ওইগদৌবা কয়ানা মৈশা লাংলিঙৈদা শাহিং চাবা শাশিংগী নোংমৈ গুলি মশীং খঙদনা কাপখিবদু অৱা লানদি উহৌদে লীবীবনি চহী তরেৎ খুন্তাকপগী ৱারী ওইনা গম্ভীর সিংহ, হেরাচন্দ্র কয়াগী মতিক-মগুণ, মথৌনা-মরিংজেল ঙসি ২১শুবা চহীচা অসিদা থোক্লিবা ৱাথোক অসিবু য়েংদুনা লৈবা ঙম্বা, তাদুনা খাঙবা ঙম্বা মীতৈ মরক্তা লৈরবদি মদু পূন্নমক্কী লাইবক থীবনি। ঐগী য়ূম মৈ চাক্তে, লন-থুম মাঙদে, ইচা শিদে, লোয়নবী কায়নদে, লোয়নবা কায়নদে, লফোই লফাংদগী মচা খাইদুনা শেৎপগুম শেৎতে হায়না খনবীগনু। ৱাথোক অসিনা ভিক্টিম ওইখ্রবা-ওইখ্রবী পূন্নমক ফিজিগী মনি ঙাক্তনি, মণিপুর ইমাগী মপারি-মমোম ঙাক্তনি।

ষ্টেট অসিগী মপারি-মমোম খুদিংমক চহী লিশীং মঙাদগী হেন্না খুন্দা-লৈতাদুনা লৈমিন্নরক্লবা তাঙ্খুল, মরিং, মাও, মরাম, পাওমাই, অনাল, আইমোল, লমকাং, চোথে, চিরু, কবুই, কোইরেং, কোম, পুরুম কয়া অসিগী মপারি-মমোম খুদিংমক মীকপ থোক্লো করিগী নীংঙাইদনা লৈথোক্লিবনো। নপাম লমদম মোংবা নরালয়াইদা খাম্বী মৈচুবদা করিগী নীংঙাইদনা লৈথোক্লি। চহী লিশীং কয়া চূপ্পা কনমিন্নরকপা ঙাকমিন্নরকপা ঐখোয় পূন্নমক্কী মণিপুরদা থোক্লিবা ৱাথোক লান্থোক পূন্নমক থেংনমিন্নবা তাবনি। থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোক্কী গ্রাউন্দ রিএলিটি হান্নদি খঙদনা নৎত্রগা খঙদবা শাদুনা পাউদম্বা কয়া থোকখ্রে। মসিদা নত্তনা হকথেংননা নৎত্রগা নাকোয়ননা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংবু ঙাক শেন্দুনা মনীং তমহনবা অমদি মীহাৎ মীপূন কয়া চথদুনা পূন্সি কয়া পিখম্নখ্রে। পীকখ্রবা স্কৱার কিলোমিটর ২২,৩২৭ খক চাউবা উত্তর প্রদেশ, মধ্য প্রদেশ অচৌবা ষ্টেটশিংগী দিষ্ট্রিক্ত অমগা চাউবা মান্নবা লমদম অসিদা কাঙলূপ ফূরুপ নাইদুনা ৱাঙাঙ কমজাও হুন্দুনা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন/য়ুনিয়ন টেরিটরি তানবগী মমিংদা মীহাৎ-মীপূন কয়া চথবা, অকক্লনা মীতৈ ফূরুপ্পু অতম্নরা শীংনবা, নেশনল হায়ৱে অনীদা মীতৈ চৎপা য়ারোই, মোরে-কাংপোকপী, চুড়াচান্দপুরনচিংবদা অমুক হন্না চঙলকপা য়ারোই হায়বা ৱাহৈ অসিবু নোংমৈ পায়বা মীওই খরনা হোইদুনা পুরগা ধরনা ফমহনবা, রেল্লি চৎহনবা অমদি মখল মখা কয়াগী ঈরাং শাগৎহনবা মদু ষ্টেট অসিগী লাইবক থীবনি। মীতৈ লৈঙাক হায়দুনা তোঙান তোঙানবা হিগাইৱা, চিনগাইৱাসু ঙাঙদবা ফৈ। লমদম অসিদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা খুদিংমক্লা পোলিটিক্সকী লম্‌দা খোঙদাবা মতমদা মণিপুরগী অপূনবা ৱাখল্লোন্দা য়ূম্ফম ওইবীয়ু। মীতৈ, পাঙল, চীংমী হায়বা লৈতে। মতিকপু চারবদি, পুকচেলবু শেংলবদি চীফ মিনিষ্টর ওইবদা কনানা করি হায়গনি। মহম্মদ অলিমুদ্দিন মীতৈ পাঙলনি। য়ংমাসো শৈজা তাঙ্খুলনি, রিশাং কৈশিং তাঙ্খুলনি মীতৈ লৈঙাক হায়বা য়াব্রা?

ঙসিদি য়ূম্নাম খেমচান্দনা লুচিংবা লৈঙাক লিংদুনা ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্লবা অমগা-অমগা নুংশি চান্ননবা হোৎনরি। মণিপুর হায়বনা মাঙদা থাদুনা থবক তৌরকপদা মীয়াম্না মতেংসু পাংসি। অফবা তৌরগা শীংথাসি, থাগৎসি। ফত্তবা থবক তৌরগনা খূৎ থিন্দুনা মসি ফত্তে, য়ানীংদে হায়বা ঙম্বা তাই। মদুদা অশাওবনা মাঙ থাদুনা শক্তিবু লান্না শীজিন্নরবদি ৱাফম অমরোমদা চৎখিবা মতমদা করিসু ঙক্লিংঙাই ওইদে। পুৱারী নৈনবা, জিও পোলিটিক্স মশক খঙবা ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী অপাম্বা করিনো, করি তৌরম্মী, করি তৌরি, মখা তানা করি তৌসিগে, হৌজিক ঐখোয়গী মাঙদা তারিবনা করিনো হায়বসি লৈঙাক্কী মথৌনি। লুচিংবগী মথৌদাংনি। মফম মতম চানা ফীভম য়েংদুনা থবক খুদিংমক্কী ৱারোইশিন থমহৌবা তাবনি। হায়নবা লৈ লাইথুং মখাক মৈগী মৈখাক লৈহৌরবদি মমৈদা তুম্না মাঙই হায়বা ইপা ইপুনা পীবিরম্বা পাউরৌ-পাউতাক থাগোন্নবা তঙাইফদে।

ইন্দিয়াগী ওইনা মাগী মাগী ষ্টেটশিংদা চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা কয়াগী লৈঙাক্লোন কয়াদুনা দিভেলপিং ষ্টেট অমা ওইবা ঙম্মী। নাগা, কুকি, মীতৈ পাঙল, মীতৈগী হায়বা থম্ফম থোক্তে, মান্নবা মীৎয়েং, মান্নবা চাকথুং-মান্নবা ফিথুংহন্দুনা লম্বী থোং, য়ূমলৈ কৈরৈ ফিভম ফগৎহনবা চংই। ইন্দিয়াদা কুমজা ১৮৫৩গী অঙনবা মতমদা বৃটিশনা মুম্বাইদা পেসেঞ্জর পুবা ত্রেন চেনবা হৌখ্রে। ঙসি চহী ১৭৩শুরবা ফাওবদা মণিপুরগী কেপিটেল ওইরিবা ইম্ফালদা রেল হেদ য়ৌবা ঙমদ্রিবা অসি কুমজা ২০২৮দা য়ৌরগনি হায়বদু নত্তে। মীয়াম্না পাম্বদি খুমাঙ চাওশিন্না ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না, ইন্দিয়াগী মীয়াম্না হিংলিবা পূন্সি মহিং অদুনি পাল্লিবা। কুমজা ১৯৪৯দগী ইন্দিয়াগী সিটিজন অমা ওইহনবীরগা হৌখিবা চহী ৭৭ অসিদা মান্নবা থাক্তি থম্বু থমখিসি, হেন্না হেন্না শোকচিনবা, নীংতম্না চৎপা ফংদবা, অকি অখং পোকহনবদি নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি।

ঐখোয় পূন্নমক্লা থাজবা থল্লি মদুদি ঐগী-মীগী নাইদনা মান্নবা চাকথুং, মান্নবা ফিথুংহনবা, ঈং-তপ্পা লাকপা, আই দি পিশিং মাগী-মাগী হান্নগী য়ূম্ফমদা হঞ্জিলহনবা, মীনা তাবদা ৱাবা ৱাহৈ-ৱাতা তাহনবীদনা আইনবু কাচিন কোয়া, চীংনুং-মান্নুং য়ৌহনবীয়ু। লম্বী অমা শেম শারিঙৈদা মীয়াম্না থৈদুনা চৎলিবা লম্বী কয়াগী সব-ষ্টেন্দর্দ ওইরিবা কয়া মগুণ লৈনা শেমগৎ-শাগৎপীয়ু। হন্দক্কী অনৌবা চীফ মিনিষ্টরগী মিৎয়েং মখাদা নেশনল হায়ৱে ১৩৭(এ) শেল্লকপদা শামুরৌ নাওরেম ফাওরগা মৈজ্রাও ফাওদুনা চৎলিবা লম্বীদু লৈঙাক্না নিংথিনা শেমগৎপীয়ু। মতম অমগী লৈরকনি, খুল্লকনি হায়দুনা শেম্বা লম্বী অদুগী মতম নৎত্রে। হৌজিক্তি টন ২০-৩০গী গাড়ী কয়ানা লৈরক খুদিং চৎনদুনা শীজিন্নরবনিনা লম্বী খুদিংমক্কী ক্বালিটি লৈনা অমদি পাক চাউবা হেনগৎহনবগী তঙাইফদবা লৈতবা নত্তে। মসিদসু নত্তনা নেশনল হায়ৱে ১৩৭(এ)গী ৱাহেংবম লৈকায়দগী ককচীং লমখায় ফাওবগী অশাংবা কিলোমিটর ৪৫ অসি পাকপা চাউবা লম্বীগী ক্বালিটি চপ মান্ননা থম্বীয়ু। কিলোমিটর ১৫দগী ৩০ ফাওবগী ৱাঙ্গৈইগী শরুক খরা, ময়াং ইম্ফালগী শরুক কিলোমিটর ১৫গী মতেক অসি হান্ননা শুখ্রে হায়রিবরা লৈঙাক্না জিরো টু ৪৫ অসি মান্নবা থাক্তা থম্বীয়ু। হৌজিক গাড়ী থৌবা য়াই হায়বগী ৱাদনি লম্বী অমা ওইবগী ক্বালিটি য়াওদবা মফম কয়া য়াওরি। চাকা অনী পানবা গাড়ী কয়াদা মনীং চাকা লংবা য়াওদবা নত্তে।

পূন্নমক্কী অরোইবদা ৱাই খেমচান্দনা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর ওইরে। কাঙলূপ ফূরুপ পূন্নমক্কী মপী-মপা হায়বদু ওইরে। মণিপুর মীয়ামগী মাঙদা তারিবা তংদু লৈতানা হিংনবা ইশাগী লমদম মণিপুরনি, য়েক্লবা কনাসু লৈতে পূন্নমক মরুপনি খলহনবগী মেকানিজম পুথোকপীদুনা ঐখোয় পূন্না হিংমিন্নবা ঙম্নবা হোৎনবনা পূন্নমক্কী মাঙদা তারিবনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।